

# মনালৈবাক স্পোর্টস



*এদিলেদ ইন্টরনেসনেল টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর ৭ ওইরিবী স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই বেলিন্দা বেন্সিক*

*এষ্টোন ভিল্লাবু ৬–১ দা মায়থিবা পীবদা হেটট্রিক চন্দুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী খ্বাইদগী য়াম্না গোল চনবগী রেকোর্দ থমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী সর্জিও এগুইরো*



## চীংলেনস্না সিংহ কাঙুজম প্রো লীগকী শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা য়াওখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৩ (এজেন্সি) ঃ*

মতম কুইনা শোক্কুনা লৈরুরবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মণিপুরগী নুপা হোক্কী শান্নরোই চীংলেনস্না সিংহ কাঙুজম প্রো লীগতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাওথোরকপদা য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমদা মিডফিল্ডর অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুরগী চীংলেনস্না সিংহ কাঙুজম ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল মেন'স সেনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা খোঙনিং শোক্কুনা মতম খরা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবনি।

মতম খরা লায়েংদুনা লাকখ্রবা মতুং ফগৎলকপদগী হোক্কী ইন্দিয়ানা প্রো লীগতা শরুক য়াগদবা মেম্বর ২০ দা শাবা টিম ঙসি লাওথোরকপদা মণিপুরগী শান্নরোই চিংলেনস্না য়াওরকখিবনি। মহাক্তা নত্তনা মমাঙ চহীগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ মেন'স সেরিজ ফাইনেলসতা খুজেং শোক্কুনা লাকখিবা ষ্ট্রাইকর গুরজান্ট সিংহসু ঙসি লাওথোরকখিবা স্কৱাদ অসিগী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা নম্বর ৫ ওইরিবা ইন্দিয়াগী টিম প্রো লীগকী অহানবা ইদিসন্দা শরুক য়াবা ঙমখিদে। প্রো লীগ অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী টিম্না য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯ দা ৱার্ল্ড নম্বর ৩ নেদরলেন্দসকা শান্নগনি।

মসিগী মতুং ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা বেলজিয়ম (ফেব্রুৱারি ৮–৯) অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া (ফেব্রুৱারি ২১–২২) দসু এফ আই ঐচ প্রো লীগ অসিগী মনুং চন্না শান্নরগনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি মিডফিল্ডর মনপ্রিত সিংহনা কেপ্টেন ওইনা লুচিংগনি অদুগা দ্রেগফ্লিক্কর হর্মনপ্রিত সিংহনা দিপুতি ওইগনি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম্মা মালেমগী মকোক থোংবা টিমশিংগা প্রো লীগতা শান্নগদৌরিবা অসিনা ওলেম্পিক কেম্পেনগী শেম শাবদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়না ইন্দিয়াগী কোচ রিদনা ফোঙদোকখি।

এফ আই ঐচ প্রো লীগতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি– পি আর স্রিজেস, কৃষ্ণন বহাদুর পাথক, হর্মনপ্রিত সিংহ (ভাইস কেপ্টেন), গুরিন্দর সিংহ, অমিত রোহিদাস, সুরেন্দর কুমার, বিরেন্দ্র লাক্রা, রুপিন্দর পাল সিংহ, মনপ্রিত সিংহ (কেপ্টেন), ভিভেক সাগর প্রসাদ, চীংলেনস্না সিংহ, নিলকান্ত শর্ম্মা, সুমিত, গুরজান্ট সিংহ, এস ভি সুনিল, ললিত কুমার উপাধে, মন্দিপ সিংহ, অকাসদিপ সিংহ, গুরসাহিবজিৎ অমসুং কোথাজিৎ সিংহ খদাংবমনি।

## জুবেন্টসনা রোমাবু ২–১ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি

*রোম, জনুৱারি ১৩ (এজেন্সি) ঃ*

ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা জুবেন্টসনা রোমাবু ২–১ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি।

শান্নবা হৌরকপা মেটচ অসিগী ৩শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা মেরি দেমিরেলনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা লাকখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১০শুবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা জুবেন্টসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনিটতা রোমানা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই দিএগো পেরোট্টিনা গোল ওহোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি জুবেন্টসনা রোমাবু ২–১ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙমখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ভেরোনানা জেনোৱাবু ২–১ দা থোইখি। ভেরোনাগী গোলশিং অদু ভালেরিও অমদি মাট্রিয়ানা চন্দুনা মায় পাকখিবনি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মোনাকো গোল ৩–৩ দা চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচ অসিদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোই ব্রাজিল মচা নেমারনা গোল অনী চনবা ঙমদুনা মেটচ অসি দ্রো চৎপদা চাওনা মতেং পাঙবা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৯৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | N | E | S | | E | L | S | E | | P | A | B | L | O |
| T | A | R | P | | S | O | O | T | | A | R | R | O | W |
| H | I | R | E | | C | O | N | C | E | P | T | I | O | N |
| E | V | E | N | | A | S | S | | R | E | S | E | T | S |
| R | E | D | T | A | P | E | | M | A | R | | | | |
| | | | | T | E | N | S | E | S | | B | A | T | H |
| T | R | I | P | O | D | | H | E | E | | E | C | H | O |
| R | E | C | A | P | | B | E | T | | I | N | N | E | R |
| A | N | E | W | | G | E | E | | U | N | S | E | E | N |
| P | O | D | S | | L | A | T | E | S | T | | | | |
| | | | | R | A | N | | L | E | O | N | A | R | D |
| A | D | O | R | E | D | | G | A | L | | A | L | O | E |
| D | E | G | E | N | E | R | A | T | E | | S | I | G | N |
| D | A | R | E | D | | A | P | E | S | | A | B | U | T |
| S | L | E | D | S | | T | E | D | S | | L | I | E | S |

## রিয়েল মাদ্রিদনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু পেনাল্টিতা থোইদুনা সুপর কপকী ১১রকশুবা টাইটল লৌখ্রে



*জেদ্দাহ, জনুৱারি ১৩ (এজেন্সি) ঃ*

রিয়েল মাদ্রিদনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু পেনাল্টি সুট আওটতা গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা স্পেনিস সুপর কপকী ১১রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী সিটি জেদ্দাহদা লৈবা কিং আব্দুল্লা স্পোর্টস সিটিদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা শান্নখিবা স্পেনিস সুপর কপকী ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেন্না চখবা ঙমদুনা শান্নরকখ্রবসু এটলেটিকো মাদ্রিদকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা লাকখিবদগী গোল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা অঙম্বা থাক্তা বোল পায়নবা হোৎনখি। মেটচকী মিনিট ৭৯ শুরকপদা ফাওবদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা গোল ওইথোকপা য়াবা খুদোংচাবা ফংখিদে।

অনীশুবা হাল্ফতসু রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা এটেক চখবা ঙমখ্রবসু এটলেটিকো মাদ্রিদকী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজনা মায়োক্নদুনা লৈখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মায় পাকপা টিম খন্নবগীদমক মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা মতুং মিনিট ৩০গী এক্সত্রা টাইম শান্নবা হৌরকখি। মেটচকী ১১৫শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই ফেদেরিকো ভালবর্দো মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা অদু এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা লৌবা ঙমখিদবদগী এক্সত্রা টাইমগী মিনিট ৩০গী মতম অদু শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

চেম্পিয়ন ওইগদবা টিম খন্নবগী অরোইবা চাংয়েং ওইরিবা পেনাল্টি সুট আওট কাউনবদা রিয়েল মাদ্রিদনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা স্পেনিস সুপর কপকী ১১শুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পেনাল্টিদা চনখিবা গোলশিং অদু দেনিয়েল কারভাজাল, রোদ্রিগো, লুকা মোদ্রিচ অমসুং সর্জিও রামোসনা চনখি। অদুগা এটলেটিকো মাদ্রিদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জোন ত্রিপিয়রনা চনখিবনি।

## ৱুমেন'স য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ্না ইন্দিয়া গ্লোবেল রিকোগনিসন ফংলগনিঃ পটেল

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৩ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন'স ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিনা ইন্দিয়ানা ফুটবোলগী গ্লোবেল রিকোগনিসন ফংলগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

প্রফুল পটেলনা চীয়র লৌদুনা ফেদরেসন অসিগী এনুয়েল জেনরেল বোদিগী মীফমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মীফম অসিদা জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাস, সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট সুব্রতা দত্ত, কে এম আই মাথর, মনভেন্দ্র সিংহ অমসুং একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। অদুবু জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং রাজস্থানগী রিপ্রজেন্টিটিভশিংদি মীফম অসিদা য়াওখিদে।

২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল গ্লোবেল রিকোগনিসন ফংলগনি। কুমজা ২০১৭ দসু ফিফা য়ু–১৭ মেন'স ৱার্ল্ড কপ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মায় পাক্না পাঙথোকখি হায়নসু পটেলনা নীংশিংখি।


M/S IMPHAL PRESS
Screen Printing & Rubber Stamps Works
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI
Lengsinbirakshi
* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing
20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal
লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোং চাবশিং অসি লৌমিন্নরসি
M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 9366285239
SL/5683/6+15 days



MEIKLEY International School
ESTD. 2016
ADMISSIONS OPEN
HURRY UP
Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)



Classes Pre-Nursery to Class III
2020 - 2021
Class Starts from 23RD Jan, 2020 THURSDAY
Vacancy : 4 LADIES TEACHERS
For details, just dial :
8787880819
9774770388
Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1
meikleyinternationalschool@gmail.com
SL/5669/3+15 days



FOCUS
The Conceptual study Circle
Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road
Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.
Admission is going on for the session 2020-2021
- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.



For Further information pliz Contact # 9774770388
SL/5669/3+15 days


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 2047/SDC/IW(C) dt. 8/10/2019

Salam Maipak Singh S/o S. Shamoo Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai

Petitioner

-Vs-

Co-pattdar No. 1 Lourembam (N) Salam ongbi Hemabati Devi W/o S. Maipak Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai

O.P.Party

**NOTICE**
Imphal, the 9 / 10 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Lourembam (N) Salam ongbi Hemabati Devi W/o S. Maipak Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 2163 অরিবা পাট্টা নং 85/12/2784 দাগ নং 3107 অমসুং এরিয়ানা .0140 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/B(S)(3)/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 2761/SDC/IW(C) dt. 24/12/2019

1. Kshetrimayum Shashikanta Singh S/o (L) Ksh. Kaminisana Devi of Singjamei Chingamakha Kshetri Leikai
2. Kshetrimayum Ibomcha Singh S/o -do- of -do-
3. Kshetrimayum Dinesh Singh S/o -do- of -do-

Petitioner(s)

-Vs-

Co-pattadar No. 1 Rajkumari Kaminisana Devi W/o (L) Amu Singh of Chingamakha Kshetri Leikai

O.P(s)

**NOTICE**
Imphal, the 26th Dec. 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Co-pattadar No. 1 Rajkumari Kaminisana Devi W/o (L) Amu Singh of Chingamakha Kshetri Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 47-Chingamathak গী অরিবা পাট্টা নম্বর 28 (Angs) অনৌবা পাট্টা নং 9 দাগ নং 1181 অমসুং এরিয়ানা .0789 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/B(S)(1)/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 40/SDC/IW(C) dt. 06/01/2020

1. Leishungbam Bebiranita Devi W/o (L) Moirangthem Ibetombi Singh of Sagolband Tera Sapam Leirak
2. Kelbhit Moirangthem S/o (L) Ibotombi Singh of -do-
3. Cynthia Moirangthem D/o (L) -do- of -do-

Petitioner(s)

-Vs-

1. Moirangthem Joychandra Singh S/o (L) Chinglen Singh of Sagolband Tera Keithel
2. (L) M. Ibotombi Singh S/o (L) -do of -do-
3. M. Okendro Singh S/o (L) -do- of -do-

O.P(s)

**NOTICE**
Imphal, the 13th Jan 2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Co-pattadar No. (2) (L) M. Ibotombi Singh S/o (L) Moirangthem Chinglen Singh of Sagolband Tera Keithel গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অরিবা পাট্টা নম্বর 816 অনৌবা পাট্টা নং 2878 দাগ নং 6048 অমসুং এরিয়ানা .0870 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/B(S)(2)/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 29/SDC/IW(C) dt. 06/01/2020

1. Soibam Hemabati Devi W/o S. Saratchandra Singh of Uripok Polem Leikai
2. Nungleppam Netrani Devi W/o Toijam Ronel Singh of Thambalkhong Lisham Leirak, Top Naoriya
3. Nungleppam Chandrasakhi Devi W/o Angom Guneshwor Singh of Wangkhei Thambalkhong Mayai Leikai, Top Naoriya

Petitioner(s)

-Vs-

Nungleppam Naba Singh S/o (L) Amu Singh of Uripok Baspati Leikai

O.P(s)

**NOTICE**
Imphal, the 10th Jan. 2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Nungleppam Naba Singh S/o (L) Amu Singh of Uripok Baspati Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 88-Lalambung গী অরিবা পাট্টা নম্বর 205 অনৌবা পাট্টা নং 389 দাগ নং 3080 অমসুং এরিয়ানা .0172 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/B(S)(1)/14